কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

চৎলিবা অনৌবা চহী ২০২১গী ওইনা ওল জিরিবাম হিন্দু জাগোরান এসোসিএসনগী কেলেন্দর ঙসি এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা ফোঙদোক্তুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদগী হৌরদুনা খুৎশিন্নবা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী চীফ এদভাইজর প্রমোটেস দাস, প্রসিদেন্ট হরেনচন্দ্র দাস, এসোসিএসন অসিগী লিগেল এদভাইজরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর এদভোকেট এ সুরেন্দ্র কুমার, এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি পোরিতোস দাস, এদভাইজর খিরোদে মোহোন দাস অমসুং কেসিয়র ঔরোবিন্দো দাসনচিংবা মরু ওইবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

জিরিবামদা লৈরিবা হিন্দুশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা ওল জিরিবাম হিন্দু জাগোরান এসোসিএসনগী কেলেন্দর অসি ঙসিখক্তমক থেংথনা রিলিজ তৌরিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা তঙাইফদবা থবকশিংদগী জিরিবামগী মপান্দা মতম কুইনা লৈরুবদগীনি হায়রি।

সোসল সর্ভিস কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

একাদেমিক সেসন ২০২০-২১গী ওইনা দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ইম্ফালগী বি এদ অমসুং এম এদকী তোঙান-তোঙানবা হাউস ৫গী টিচর ট্রেনিশিংনা কোলেজ অসিগী ক্লাস রুমশিং য়াওনা কোলেজ কেম্পস মনুং অমসুং অকোয়বদা লমতু শেঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগা মরি লৈননা কোলেজ অসিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. অমদি সেসল সর্ভিস কম্মিটিগী কো-ওর্দিনেটর ডা. টি. সুরেন্দ্রনা হায়খি, কো-ওপরেসন, টিম ৱর্ক, টিম স্পিরিট হায়বা পান্দমদা মরুওইনা সোসল সর্ভিস কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। ইশাগী কোলেজবু লু-নান্নবা শেঙদোকপদা নত্তনা লায়না-তিন্না শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবা হায়বসি সিলেবসতা খক য়াওবা নত্তনা থবক ওইনা পাঙথোকপনি। মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিংনসু মেগা সোসল সর্ভিস অসি পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

HL Poll

Q: Manipurgi turelsing motsilhandanaba leingakki mari leinaba authority singna matik chaba thabak paikhatli khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurgi lambi thongsing leingak asigi mari leinaba authorityna matamga chunaba mawongda semle haina loubra ?

Yes 0% No 100%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৪৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১১.৭১ °C
মণিপুরগী নোংজ্বগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৩

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.898070
US Dollar	72.696023
British Pound	101.202581
Australian Dollar	56.409672
Chinese Yuan Renminbi	11.169365
Japanese Yen	0.667035
Malaysian Ringgit	17.653240
Singapore Dollar	54.066377
South Korean Won	0.063959
Saudi Arabian Riyal	19.385606
Thai Baht	2.367228

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
home delivery
Booking 14/3/21
summit house no. LPG ID no address with landmark also digital transaction and online payment encouraged 5.kg 19.kg available enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8:30am to 1:00pm.
Please don't contact driver and handyman except office no.
MAHALAKSMI INDANE GAS
Bk. upto 31-1-2021
valid from 12-1-2021
Home delivery only,
Cont. Timing - 8 am to 11 am.
For Office plz cont.
9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont.
8414944010, 7005573790,
9366735870
Booking : After 15 days from delivery.

সুপ্রিম কোর্টনা মার্চ ১৫দগী নুমিৎ ৯০নি খক্তগী লিমিটেসন পেরিয়দ ফংহল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

লৈবাক শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী থোরকখিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা জেনরেল লোশিংগী অমসুং সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেটশিংগী স্পেসল লোশিংগী মখাদা পিটিসন/এপ্লিকেসন/স্যুইট/আপিলশিং অমদি অতৈ প্রোসিদিংগীদমক লিমিটেসনগী মতমশিংগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা সুও-মোতুদা কোগনিজেন্স লৌখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর - ৩ ওফ ২০২০ দিস্পোজ তৌরদুনা মার্চ ১৫দগী মীপূম খুদিংমক্তা লিমিটেসনগী মতম নুমিৎ ৯০নি ফংলগনি হায়বগী রুল্লিং অমা পীখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসি এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা লুচিংবা জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাও অমসুং জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাটকী দিভিজন বেঞ্চ অমনা থাসিগী ৮দা পীখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চকী ওর্দর অসিনা হায়বদা এপেক্স কোর্ট অসিনা মার্চ ২৭, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অমনা মার্চ ১৫, ২০২০দগী হৌরদুনা কম্পাউন্ডে দবল ওইবা অমসুং ওইদবা জেনরেল লো নৎত্রগা স্পেসল লোশিংগী মখাদা লিমিটেসনগী পেরিয়দ মখা তাবা ওর্দরশিং থোক্লিবা ফাওবা এক্সটেন্দ তৌখিবনি। মসিগীদমক মার্চ ১৫, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অদু মতম মতমগী মতুংইন্না এক্সটেন্দ তৌরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক পেন্দমিক অসি লোইশিনবা নাইদ্রবসু মসিদা শীংথানবা য়ানা ইমপ্রুভমেন্টদি লাক্লে। লোকদাউনসু লৌথোক্তুনা হৌজিক লৈবাক অসি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লি হায়রি। কোর্টশিংসু ভর্চ্যুএল মোদতা ফঙ্কসন তৌনরে। মরমশিং অসিনা মার্চ ১৫, ২০২০দা থোকখিবা লিমিটেসন পেরিয়দ এক্সটেন্দ তৌবদু পেন্দমিক্কা মরী লৈননা হোংলক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী লিমিটেশন পেরিয়দ শাংদোকহল্লন্দ্রী থবক অদু লোইশিল্লগনি হায়রি। মসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনসু খল্লে অমসুং এটোর্নি জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদগী মখা তাবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা সজেসন লৌরে হায়রি।

মরমশিং অসিনা স্যুইট/আপিল/এপ্লিকেসন নৎত্রগা প্রোসিদিংশিংগী লিমিটেসন পেরিয়দকী নুমিৎ মশীং থিবদা মার্চ ১৫, ২০২০দগী হয়েং মার্চ ১৪, ২০২১ ফাওবগী নুমিৎশিং পাবদা য়াওররোই হায়রি। অদুবু মার্চ ১৫, ২০২০ ফাওবদা লেমহৌরিবা লিমিটেসন পেরিয়দকী নুমিৎশিং অদুদি মার্চ ১৫, ২০২১দগী ফংলগনি হায়রি। সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিনা মখা তানা হায়বদা মার্চ ১৫, ২০২০দগীনা হয়েং মার্চ ১৪, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা লিমিটেসন পেরিয়দ লোইথোকখিবা নৎত্রগা নুমিৎ মশীং খরা ৰাৎহৌরিবশিং য়াওনা মার্চ ১৫, ২০২১দগীদি নুমিৎ ৯০নিগী লিমিটেসন পেরিয়দ ফংলগনি হায়রি।

হায়রিবশিং অসি অর্বিত্রেসন এন্দ কন্সিলিয়েসন এক্ট, ১৯৯৬কী সেক্সন ২৩ (৪) অমসুং ২৯এ, কম্মর্সিএল কোর্টস এক্ট, ২০১৫গী সেক্সন ১২এ অমদি নেগোসিএবল ইন্সক্রুমেন্টস এক্ট, ১৮৮১গী সেক্সন ১৩৮গী প্রোভিজন (বি) অমসুং (সী) অমদি লিমিটেসন পেরিয়দকী কোনশিল্লিবশিংদা চৎনগনি হায়রি। লোয়ননা গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী গাইদ লাইনশিংসু এমেন্দ তৌননবা খঙহনখি। মসিগী মনুংদা মেদিকেল ইমর্জেন্সি, ইসেন্সিএল গুদস এন্দ সর্ভিসেস অমদি লিগেল পরপজশিং য়াওনা টাইম বাউন্দ এপ্লিকেসনশিং অমসুং এদ্যুকেসন অমদি জোবকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং য়াওগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসননা দ্রাইভ চখখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎতা লৈরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) কমপ্লেক্সকী ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিজিগনেটেদ ওফিসর টি ঐচ সুনিল কুমারগী সুপরভিজন মখাদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল অমসুং পর্সনেলশিংনা চীংমৈরোংদা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চখখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফুদ সেফটি ওফিসল এস পুস্পলাতা অমসুং এস রোমিতানচিংবা ওফিসলশিংনা স্পেসল লাইসেন্সিং অমসুং রেজিষ্ট্রেসন টিম ওইদুনা চখখিবা দ্রাইভ অসিদা চীংমৈরোং অমসুং অকোয়বদা লৈবা ফুদ বিজিনেস ওপরেটর ৮৫না মখোয়গী এনরোলমেন্ট তৌখি। পি এ সিষ্টম শীজিন্নদুনা দ্রাইভ অসিগা মরী লৈনবা পব্লিসিটিগী থবকসু পাঙথোকখি। লোয়ননা ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিংদা মখোয়না তঙাইফদনা ওক্লনা চংকন্দবা চৎন-কাঙলোনশিং য়াওবা চেরোলশিংগী কোপি ১৫০ য়েন্থোকখি।

ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চখখিবা দ্রাইভ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটেরিএট : হেল্থ দিপার্টমেন্টনা নবেম্বর ৭, ২০২০দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমা অমসুং মসিগী মখা তারকপদা দিসেম্বর ১৫, ২০২০দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু ওইবগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এদভাইজরি কম্মিটি (সেফ ফুদ এন্দ হেলদি দাইটস) কী চ্যেরমেনসু ওইরিবনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক পাঙথোকপনি হায়রি। লোয়ননা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই) না 'ইট রাইট ইন্দিয়া মুভমেন্ট' হৌদোরকখিবদগী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা মীয়ামগী হকচাং অমসুং পূক্নিংদা কান্নহনগদবা চিঞ্জাক খক্তমক চাহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মীয়াম্না সেফ ফুদ হায়রগা খঙনরিবসি চাননবা পোৎলম অদুবু প্লেট অমদা হাপ্লগা চাবদু নত্তে। মদুনা চাশিল্লবা মতুংদা হকচাংদা পীরক্কদবা কান্নবা অদুনি হায়রি।

মরম অসিনা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ এক্ট, ২০০৬ অমসুং ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ (লাইসেন্সিং এন্দ রেজিষ্ট্রেসন ওফ ফুদ বিজিনেস) রেগুলেসন, ২০১১গী মতুংইন্না চান-থক্নবগী মখল মখা অয়ান্বা পোৎলমশিং শেম শাদুনা য়োল্লিবা মীওইশিংনা ফসাইগী রেজিষ্ট্রেসন/লাইসেন্স পায়বা হায়বসি তঙাইফদনা তৌফম থোকপা থবক অমা ওইগদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক করিগুম্বা তঙাইফদনা পায়গদবা ফসাইগী রেজিষ্ট্রেসন/লাইসেন্সনচিংবা অসি পায়রমদবা ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিং অদু ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ এক্ট, ২০০৬কী সেক্সন ৬৩গী মখাদা থা ৬ ফাওবগী ফাদোক পীবা য়াই অমসুং ফাইন ওইনা লুপা লাখ ৫গী শেনফম থিহনবসু য়াই হায়রি।

সেনাপতি লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা ভারত কা অমরুট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) সেনাপতিনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী স্পোন্সরসিপ মখাদা 'ভারত কা অমরুট/মহোটসব কম লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম' অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা মাও নাগা ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এম এন দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ) গা খুৎশম্নদুনা শীননবনি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী সেসন্স জজসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চ্যেরমেন সামোম ইবজেননা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না প্রোগ্রাম অসি ঙরাংদগী চথবা হৌরক্লগা ঙসি ফাওবদা নুমিৎ নীনি চূপ্না সেনাপতিগী তদুবী টাউন হোলদা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা খুল ৩৯দগী লাকখিবা নুপীশিংনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রামগী মরু ওইবা থৌরমদা ভারত কা অমরুট/মহোটসব, লোজ রিলেটিং টু ৱিমেন অমসুং ৱাইল্দ লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট হায়বা তোঙান তোঙানবা টোপিকশিং অসিগী মতাংদা রিছোর্স পর্সনশিংনা ৱা ঙাঙদুনা শরুক য়াখিবশিংদা টোপিক অসিগী মরমদা শুগাইনা খঙহনখি হায়রি।

লাইফম লোৎনুংগী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখ্রে

ককচীং, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

ককচীংগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ককচীং লাইফম লোটনুংদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চৎতুনা মফম অদুগী অৱাৎ অপা কয়া য়েংশিনখ্রে।

এম এল এ রামেশ্বরনা মফম অদুদা লৈরিবা ইঙ্খোল কোয়রিবা, য়ুম কৈ শাদুনা লৈরিবা মীয়ামগী য়ুমলৈ কৈরে, লম্বী-থোংগী ফীভম, অৱাৎ-অপা অমদি মফম অদুদা রাজেন নাওরেমনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা শাগৎপা হৌরিবা 'য়াইফুলেন্বী শিদবী ইমা' গী শঙলেন য়েংশিল্লমখি।

এম এল এ রামেশ্বরগী খোঙচৎ অদুদা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম, ফিদেলিটি হোর্টিকলচর কম সুগরকেন গ্রোৱরস কো-ওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী থৌবুরোইশিংসু উনদুনা মফম অদুগী অৱাৎ অপা কয়াগী মতাংদা ৱাকৎনখি। এম এল এ রামেশ্বরনা মফম অদুদা লাক্তুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা কয়া য়েংশিনবা লাক্লমখিবগীদমক ফিদেলিটি হোর্টিকলচর কম সুগরকেন গ্রোৱরস কো-ওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী মায়কৈদগী এম এল এবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মাস্ক উপ্তবশিং

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপ্তবা মীওইশিং প্লেন তোংহন্দনবা দিরেক্টর জেনরেল সিভিল এভিএসন (দি জি সী এ) না এয়র লাইনশিংদা খঙহনখ্রে। লৈবাক্কী মফম খরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দি জি সী এগী অখন্নবা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি হায়রি।

পুলিস কম্মান্দোশিং খোঙচৎ চৎখ্রে

ককচীং, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী চহী মরি মপূং ফারকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ৱার ওন দ্রগকী খোঙজংবু মীয়ামদা খঙহন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপরেসন) ক্ষেত্রিময়ুম মনিহার (এম পি এস) না লুচিংবা কম্মান্দোগী টিম ১০না শরুক য়াদুনা সোরা খুনুদা চীংদা লৈবা সোরা আউটপোষ্টতগী হৌদুনা নেসনল হায়ৱে ১০২দা লাক্লগা সোরা কৈথেল, সোরা কারনচিনচি ফাওদুনা ইরেংবন্দ ফাওবা চৎখি।

খোঙচৎ অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱার ওন দ্রগকী খোঙজংগী পান্দম দ্রগ শীজিন্নদবা, দ্রগ লৈতবা মণিপুর অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মীপূম খুদিংমক্লা শরুক য়ামীন্নবা পাউজেলসু পীখি।

ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌনবা...

লামায় ১গী মখা... ৱিটনেস ২ খক এগজামিন তৌখি হায়খি। ৱাফমসিদগী ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌবগী থবক অসিগী মতাংদা কেস অসিগী পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী মরক্তা এল্লিগেসনশিং তৌখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা নাকল অনীগী মহুৎ শিন্দুনা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী মরক্তা তৌরকপা এল্লিগেসনশিং তারবা মতুংদা এগজামিন তৌগদবা ৱাৎলিবা ৱিটনেস ৬ অসিবু এগজামিন তৌনবগীদমক নুমিৎ অহুম মাঙজৌননা লেপ্পবা অমসুং নুমিৎশিং অসিগী নোংমদা ৱিটনেস ২/২ এগজামিন তৌবগী থবকশিং পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা ৱিটনেসশিংগী এগজামিনেসনগী থবকশিং অসি কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা খঙহনখি। মসিগী মথক্তা কোর্টনা পার্টিশিংগী কাউন্সেলশিংদা এগজামিনেসন-ইন-চীফকী রেকোর্দিং অমসুং ক্রোস এগজামিনেসনগী থবকশিং পাঙথোক্লবগীদমক পুঙ্খাই অমমমগী মতমশিং পীননবা দিরেক্সন পীখি।

মসিগী মখা তারকপদা কোর্টনা লোকল কম্মিস্নরদা ৱিটনেসশিং এগজামিনেসন তৌবগী থবকশিং থাসিগী ২০গী মমাঙদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা অমুক্কসু খঙহনখি। অদুগা ইলেক্সন কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবগীদমক মেট্টর অসি থাসিগী ২২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা সঙাইগী মশীং...

লামায় ১গী মখা... থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, এগ্রিকলচর হায়বসি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী মতাংদা য়াম্না মরুওইবা সেক্তর অমনি। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগা খুৎশম্নদুনা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নগদবা লম কন্নবা থৌরাং কয়া লৈঙাক অসিনা লৌখৎলে। মথং চহীদগীদি হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসানশিংদা পীবা শেলগী তেংবাঙ অসি লুপা লিশিং ২০দা হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মার্চ ১৬তগী ২২ ফাওবা হাপ্তা কাংজৈবুংদা 'মাই ওন ২০২১' হায়না মিংথোনবা লোকল প্রদক্টশিংগী এগজিবিসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অরিবা মতমগী চান-থক্কবা পোৎলমশিং মরাং কায়না পুথোকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী নাৎ য়োকখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়াম্না মতেং পাংলকপা মরম্না তোঙান-তোঙানবা লম কয়াদা খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লে।

কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা সঙাইগী মশীং হন্থরকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীওইবনা লম খোপচিল্লকপা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মরম খরদগী কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা সঙাইগী মশীং হন্থরকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা কম্মিটি অমা শেম্লে। ৱাইল্ডলাইফ অমসুং ইনভাইরনমেন্ট কন্নবগী মতাংদা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা মতিক চাবা থবক পায়খৎলকপা খুঙ্গংশিংদা মনা পীনবা থৌরাং অমসু লৌখৎলে। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা অমুর ফেলকোন য়োকখৎনবা হোৎনবগীদমক তমেংলোংগীদমক তমেংলোংগী খুঞ্জাশিংদা মনা পীরগনি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা চহী ৪ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা লৌমীশিংদা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকপনি। থৌরাং অসিনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা হায়খি, এস এম এ এম স্কিমগী মখাদা চহী খুদিংগী বিনিফিসরিশিংদা মেছিন্নরিশিং য়েন্থোক্তুনা লাকখি। লৌমীশিংনা মেছিন্নরি শীজিন্নদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লগা ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন টেক্সটাইলস প্রমোসন স্কিমগী মখাদা হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসান ৩০০০দা শেলগী তেংবাঙ পীরগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা বিনিফিসরি ১৫০০দা তেংবাঙ পীগনি অমসুং লেমহৌরিবশিং অদু অনীশুবা তাঙ্কক্তা তেংবাঙ পীগনি।

কম্মান্দো পর্সনেল তরানিথোই চেন্নবা পল্লেল দ্রগ কেসতা কোর্টনা ৱিটনেস অমা এগজামিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙ এপ্রিল ২৮গী অয়ুক্তা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী অনৌবা বিল্ডিংগী গেট মমাঙদা পুলিস কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা পুশিল্লকখিবা ইল্লিগেল দ্রগশিং থৌবাল কম্মান্দোগী টিম অমনা ফাগৎখিবা কেসকী চথরক্লিবা ৱায়েলদা কোর্টনা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস অমা এগজামিন তৌখ্রে।

য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অদু মতমদুদা মোরে কম্মান্দো পোষ্টতা লৈখিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা ইম্ফাল্লোমদগী মোরে তম্না মখোয়না তোংলকপা মারুটি জিপসি অনীদা হাপ্লগা পুরকখিবনি। কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদু য়ুনিফোর্ম শেৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয়দা ইস্যু তৌবা সর্ভিস নোংমৈশিংসু পায়রকখিবনি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট, মণিপুর লমখনপাউ তোন্সিংগী কোর্টতা এগজামিন তৌখিবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অদুগী মমিং তখেল্লম্বম রোবিনসন (৫০) কৌই। পল্লেল কৈথেল থোংখোঙদগী হৌজিক্কা চানে দল লমখাইদা লৈবনি। অপোকপগী মমিংনা লৈখিদ্রবা টি দিনমনি কৌই। মহাক কেস অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর-১৭নি।

মশামক বিজিনেস তৌবগা লোয়ননা সোসল ৱার্কর অমসু ওইখিবা পি দব্লিয়ু অসিনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা মহাক কুমজা ২০১৩দা য়ুথ ভলুন্টিয়র এসোসিএসন (ৱাই ভি এ), পল্লেলগী স্পোর্টস সেক্রেটরি ওইখি হায়রি।

ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎখিবা এপ্রিল ২৮, ২০১৩গী অয়ুক্তুদা মহাকপু হবিলদার কিশোরজিৎনা কৌরকখি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক্না পল্লেল চ্যেক পোষ্টকী মনাক্তা লাকখিবদুগী চপ চাবা মতমদি নীংশিংবা ঙমদ্রে হায়খি। মফমদুদা মহাক ৱাই ভি এ, পল্লেলগী প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বীগা লোয়ননা চৎখিবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। মফম অদুদা য়ৌবদগী মখোয়বু পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী অনৌবা কমপ্লেক্সতা পুখি। মতমদুদা অনৌবা কমপ্লেক্স অদুদি শঙ্গাদ্রি হায়রি।

পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী অনৌবা কমপ্লেক্স অদুদা মখোয়না দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমা, সব-ইন্সপেক্টর এল ধনবির, হবিলদার এ কিশোরজিৎ অমসুং অতৈ পুলিস পর্সনেলশিং থেংনখি। মফম অদুদা ইল্লিগেল কন্সাইনমেন্টশিং য়াওবা মারুটি জিপসি অনীসু থেংনখি হায়রি।

মহাক অমসুং প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বীগী মমাঙদা ইল্লিগেল কন্সাইনমেন্টশিং অদু মারুটি জিপসি অনীদুদগী লৌথখি অদুগা অনৌবা পুলিস ষ্টেসনগী কমপ্লেক্স অদুগী কা অমদা পুশিনখি হায়রি। মসিগী মতুংদা বেজশিং অদু হাংদোকপদা সিউদোইফিদ্রিন টেব্লেট (রেসপিফেদ) কি স্ত্রিপ অমদা টেব্লেট ১০/১০ য়াওবশিং য়াওরম্বা থেংনখি হায়রি। টেব্লেটশিং অদু পুলিস ওফিসলশিং অদুগী মমাঙদা মশীং থিখি হায়রি।

মদুগী মতুংদা এ কিশোরজিৎনা লৈমায়দা গ্রাউন্দ শীট থাদুনা ইল্লিগেল কন্সাইনমেন্টশিং অদুবু পুরকখিবা পুলিস পর্সনেলশিংদগী লৌশিনবা নোংমৈ, নোংমৈ মরূশিং অমদি অতৈ পোৎলমশিং থমখি হায়রি। অদুগা পোৎলম পূম্নমকশিং অদু শিজ তৌখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। পোৎলমশিং অদু শিজ তৌবগী শিজর মেমোদা মহাক্না এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকা লোয়ননা খুৎয়েক পীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পি দব্লিয়ু অসিনা ৱাফমশিং অসি কোর্টতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক য়াওনা খুৎয়েক পীখিবা শিজর মেমোশিং য়াওনা কেস অসিগী এগজিবিটশিংবু য়েংহনবদা মহাক্না কোর্টতা মশক তাকখি।

মহাক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকপা লোইরবা মতুংদা মহাকপু কেস অসিগী অপূনবা এক্যুইজ ১৬কী মনুংদগী এক্যুইজ নম্বর- ১, ৫, ৬, ৭, ১১, ২, ৪ অমসুং ১৬কী মায়কৈদা লেপ্লিবা দিফেন্স কাউন্সেলশিংনা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি।

নহারোলশিং থবক ফংহন্নবা স্কিল...

লামায় ১গী মখা... নহারোলশিংনা মশাগী ওইবা বিজিনেস নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রি লিংখৎপগা লোয়ননা প্রাইভেট ফার্ম অমদি কম্পেনিশিংদা থবক চঙনবগী খুদোংচাবা ফংলি।

মণিপুরদা চাওনা অহোংবা পুরকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ৱাখল্লোনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, চীং অমদি তমদা থোং মান্নবা চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপা ঙম্লে। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসু অঙকপা ফংনা ফগৎলক্লে। পূম্নমক অসি নোংমখক্তদা ওইরকখিবা নত্তে।

থৌরম অদুদা মণিপুর বিল্ডিং কন্সত্রক্সন এন্দ অদর ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরমেন হৈখাম দিঙ্গো অমদি এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট) লেটখোগিন হাওকিপসু শরুক য়াখি।

এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা হায়খি, হৌখিবা চহী ৪গী মনুংদা লেবর দিপার্টমেন্টনা কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংদা হেল্থ, এদ্যুকেসন অমদি অতৈ হীরম কয়াদা খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লিবসি শিংথানীংঙাই ওইবা থৌরাংনি।

লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট দিপার্টমেন্টনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা লেটখোগিন হাওপিকনা হায়খি মদুদি, পি এম কে ভি ৱাইগী মখাদা নহারোল ২১,৪৫৭ ইনরোল তৌবগী মনুংদা নহারোল ২০,০৪৮ নিংথিনা ত্রেনিং পীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা পূন্না ত্রেনিং ফংলবা মীওই ৮০২৫ থবক ফংলে। ত্রেনিংশিং মফম চাবদা থবক ফংহন্নবা লেবর দিপার্টমেন্টনা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অটসুমগী বন্দনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোক্তবগী মতাংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগা মরী লৈননা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অটসুম)গী লুচিংবশিংনা হয়েং মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারী শানরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা অটসুমগী ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি খাইমিনলেন দোঙেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লৈঙাক্লা ৱারী শানবগী থৌরমদা শরুক য়ানবা ফিরেপ লৌরে। অটসুমনা তানবা দিমান্দ মতম চানা পীখিদবা মরম্না চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুং ২৪গী বন্দ কৌখিবনি। মায়কৈ কয়াদগী মপূং ফানা শৌগৎলকপা মরম্না বন্দ অদু মপূং ফাখি। মখা তানা অটসুমগী ৱাফমদা থৌশাদবা থোক্লবদি ইকনমিক ব্লোকেদ তৌনবা ফিরেপ হন্দোকপা তৌরোই। অদুম ওইনমক হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লৈঙাক্লা ৱারী শানবদা য়ানবা অমসুং য়ানদবগী মতুংইন্না মখা তানা খোঙথাং লৌখৎলগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা পূক্নিং ৱাখলদা অৱাবা থোকহল্লিবশিং কোকহন্নবা খন্নবা মথৌ তাই : ডা. রঞ্জন

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনা মীপূম খুদিংমক্তা ষ্ট্রেস লৈরকপা অমদি পূক্নিং ৱাখলদা অৱাবা থোকহল্লিবশিং অসি কোকহন্ননবা খন্নবা মথৌ তাই হায়না হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম ডা. সাপম রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন সাইকিয়াত্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা মনিপসিকোন ২০২০ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. সাপম রঞ্জননা মখা তানা হায়খি, মেন্টেল প্রোব্লেম লৈবা হায়বসি ষ্ট্রেস খক্তা নত্তনা অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। কোভিদ-১৯গী ষ্ট্রেস লাক্লিবা অসি কোকহন্ননবা টেলি কন্সলটেসন তৌবা য়ারে। সাইকিয়াত্রিষ্ট অমদি সাইকোলোজিষ্টশিংগা তানদুনা মখোয়দগী ৱাখল্লোন লৌরগা লৈরিবা ষ্ট্রেস অদু ফংহন্নবা চঙই। ঙসি সাইকিয়াত্রিক্কী মরমদা খন্ন নৈনবা পাঙথোকপা অসি য়াম্না মতাং চাবা অমনি। কুমজা ২০২০ অসি মালেমগী ওইনা অৱাবা চহী অমা ওইখ্রে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিনা মেন্টেল হেল্থতা অচৌবা চৈথেং পীখ্রে। মণিপুরদসু লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকখিবনা মীয়ামদা হকচাং ৱাবা খক নত্তনা ৱাখলদা য়াম্না ৱাবা ওইখিবনি। কোভিদকী অনাবা য়াওরকপা ইমুংদুদা নত্তনা লৈকায় লৈকায়দসু ৱানখিবা ঙাক্তনি। হেল্থ ৱার্কর অমসুং ফ্রন্টলাইন্দা লৈরিবশিংনা ৱাখিবদা নত্তনা হন্থবা মীৎয়েং, অখুবা মীৎয়েং ফাওবা য়েংবা য়াওখিবনি। মীয়াম পূন্না খুৎশম্নদুনা থৌদাং লৌরকপদগী হৌজিক্তি ফীভম ফগৎলকপনি। অদুবু হৌজিক লায়থোকপদি য়াদ্রি। লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথরি। ভেক্সিন কাপ্লে হায়দুনসু কোমথোকপীগনু। মীয়াম্নসু মাস্ক উপ্লীয়ু, এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু। য়াওশঙ মতম নকশিল্লকপনা ঐখোয় য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা তৌগদবা তৌরোইদবশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন সাইকিয়াত্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. এস মনিকান্ত অমসুং রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

এ এম এম ও সী ও সীনা সোলিদরিটি উৎখ্রে

ককচীং, মার্চ ১৩ (ঐচএনএস): ম্যান্মারদা আর্মিনা কু তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি মফম অদুদা দেমোক্রেসি হঞ্জিলহন্নবা খোল্লাউলউরিবা অসিদা ওল মণিপুর মুসলিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এ এম এম ও সী ও সী) না সোলিদরিটি উৎখ্রে।

সোলিদরিটি উৎপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এ এম এম ও সী ও সীগী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা হায়খি, ম্যান্মারগী মীচমশিংদা মফম অদুগী লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীবা অমদি মখল কয়াগী চৈথেং পীদুনা ওৎপী নৈববগী মওং অসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবনি। ম্যান্মারগী অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক এ এম এম ও সী ও সী অমদি মণিপুর মীয়াম্না খোঙফম চেংনা লেপ্পি। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা চথরকপা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনরকপা তমথীবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা লূপ অসিনা লেপকনি। ম্যান্মারদা হৌজিক চথরিবা থৌওং অসি মালেমগী থাক্তা খুদক্তগী থিংবীনবা য়ুনাইটেদ নেসন ওর্গনাইজেসন অমদি ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টতা অহবা চেরোল থাদুনা ৱাকৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

#7005622203, 6009124946

ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 12th APRIL 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011,
Resecanal Manhunt Manipur 2014,
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015,
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfeta Queen 2015 - 1st Runner Up,
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
Computer Courses : Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)

HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March